*দোপিংগা মরী লৈননা অথিংবা থল্লুরবা মতুং ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব ৱেষ্ট হামদা অমুক হল্লকখ্রবা হান্না ফ্রেন্সকী মিডফিল্ডর ওইরম্বা সামির নাস্রি*

*খুউ শোকপনা মরম ওইরগা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন শরুক য়াদবগী ফিভমদা লৈরিবা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রো*

## ইন্দিয়ানা এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোলদা রাউন্দ ওফ ১৬ য়ৌবগী খুদোংচাবা ৫০–৫০ দা লৈরি ঃ বাইচুং ভুটিয়া

*অবু দাবী, জনুৱারী ০১ঃ*

যুএইনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৫ দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপ্তা ইন্দিয়ানা রাউন্দ ওফ ১৬ য়ৌবগী খুদোংচাবা ৫০–৫০ দা লৈরি হায়না ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী হান্না কেপ্টেন ওইরম্লবা বাইচুং ভুটিয়ানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়ান নেসনেল ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিগা চখৎগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবদা মশাগী চহী ৪২ শুরবা সিক্কিম মচা বাইচুং ভুটিয়ানা টিম অসি রাউন্দ ওফ ১৬ য়ৌবগী খুদোংচাবা অসি ৫০–৫০ দা লৈরি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম য়াম্না কুইনা গেপ লৈরুরবা মতুং চহী ২৭কী মতুংদা অহানবা ওইনা যুএইদা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপ অসিদা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়ারকখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম এএফসি এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'এ' দা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক যুএই য়াওনা থাইলেন্দ অমসুং বহারেনগা লম্বা তৌনদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌননবা হোৎনগদৌরি।



*ইন্দিয়াগী হান্না ফুটবোল কেপ্টেন ওইরম্লবা বাইচুং ভুটিয়া*

ইন্দিয়াগী টিম্না টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ৬ তা থাইলেন্দগা শান্নদুনা কেম্পেইন হৌদোক্কনি। ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম অসি হৌখিবা চহী অনীদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদুনা ফিফা রেঙ্কিংদা ৯৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মায় পাকপা টিম অমা ওইগে হায়রবদি শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনবগী মথৌ তাই লোয়নননা মখোয় মশেলগী মরক্তা ফজবা কো–ওর্দিনেসন লৈনবগী মথৌ তাই হায়নসু মমাঙদা ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরম্লবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই বাইচুং ভুটিয়ানা মখা তাখি।

## ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ফ্রেঞ্চকী শান্নরোইশিংদা লিজিওন ওফ ওনর এৱার্দ পীখ্রে

*পেরিস, জনুৱারী ০১ঃ*

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ফ্রান্সকী ফুটবোল শান্নরোইশিংনা লৈবাক অসিদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা মনা ওইরিবা লিজিওন ওফ ওনরগী এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মমাঙ চহীগী জুন অমসুং জুলাই থাদা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সনা ক্রোএসিয়াবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীরকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

লিজিওন ওফ ওনর এৱার্দ ফংখ্রবা শান্নরোইশিং ২৩ গী মনুংদা টিম অসিগী ষ্টার ষ্ট্রাইকর কিলিয়ান মবাপ্পে, এন্টোইন গ্রিজমানসু য়াওখি। এৱার্দ অসিগীদমক লৈবাক অসিগী নুপা ২০১ অমসুং নুপী ২০১ পুন্না ৪০২ লিষ্ট তৌখিবনি। অদুবু মনা অসি লৈবাক অসিগী ফুটবোল টিম্না ফংখিবনি।

পনবা য়াই ফ্রান্সকী ফুটবোল টিম্না কুমজা ১৯৯৮ দা ৱার্ল্ড কপ টাইটল লৌখ্রবা মতুং লিজিওন ওফ ওনর এৱার্দ অসি ফংখিবনি।

## মুম্বাই রোকেটর্সনা অৱাধে ৱারিয়র্সপু ৫–২ না থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইখ্রে

*পুনে, জনুৱারী ০১ঃ*

মুম্বাই রোকেটসনা অৱাধে ৱারিয়র্সপু মেটচ ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন মশান্নগী মকোক থোংবা লীগ টুর্নামেন্ট প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

টিম অনী অসিনা শান্নখিবা টাই অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ত্রম্প মেটচতা অৱাধে ৱারিয়র্সকী বৈৱেন ঝাংনা মুম্বাই রোকেটসকী শান্নরোই শ্রেয়ান্সি পরদেসিবু ষ্ট্রেট গেম ১৫–১০, ১৫–১০ দা মায়থিবা পীরম্লগা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী মখা তানা শান্নখিবা মেটচ ৪ দা মুম্বাই রোকেস্টনা অৱাধেবু মায়থিবা পীরম্বদগী টাই অসি ৫–২ দা মায় পাক্তুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমখি।

মুম্বাই রোকেটস অমসুং অৱাধে ৱারিয়র্সকী টাই অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ নুপাগী ত্রম্প দবলসতা মুম্বাই রোকেটর্সকী পেয়র কিম জি জুং অমদি লি য়োং দেনা অৱাধে ৱারিয়র্সকী য়াং লি অমদি এম আর আর্জুনবু ষ্ট্রেট গেম ১৫–৭, ১৫–৯ দা মায়থিবা পীরম্বদগী টাই অসি মেটচ ২–২ দা মান্নখি।



টাই অসিগী অহুমশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা মুম্বাই রোকেটসকী শান্নরোই এন্দর্স এন্টোনসেননা অৱাধে ৱারিয়র্সকী শান্নরোই সাউথ কোরিয়া মচা সোন ৱান হোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–১৫, ১৫–১১, ১৫–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা মুম্বাইনা মেটচ ৩–২ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মুম্বাই রোকেটস অমসুং অৱাধে ৱারিয়র্সনা শান্নখিবা টাই অসিগী মরিশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা সমির ভর্মনা অৱাধেগী লি দোং কিয়ুনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৫–১১, ৮–১৫, ১৫–১১ দা মায় পাকপা ঙমখিবদগী মেটচ ৪–২ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

টাই অসিগী ৫শুবা অমদি অরোইবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসকী লম্বাদা মুম্বাই রোকেটসকী পেয়র কিম জি জুং অমসুং পিয়া বর্নাদেথনা অৱাধে ৱারিয়র্সকী পেয়র মার্কস খৃষ্টিয়ানসেন অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৫–১০, ৭–১৫, ১৫–১৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাই অসিদা মুম্বাই রোকেটর্সনা অৱাধে ৱারিয়র্সপু মেটচ ৫–২ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখি।

## জপানগী ওসাকা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*ব্রিসবেন, জনুৱারী ০১ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি ব্রিসবেনদা চখৎরিবা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই জপানগী নাওমী ওসাকা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ব্রিসবেন ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কুমজা ২০১৮ গী যুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবী জপানগী নাওম ওসাকানা ২শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দি আইভাবু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অহানবা সেট ওসাকানা আইভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা ওসাকানা অমুক্কা হেন্না ফজরক্তুনা ৬–২ দা থোইবা ঙমখি।


টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা যুক্রেনগী এল সুরেনকোনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী কে বিরেলবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## মোহমদ সালাহ, সাদিও মানে অমদি ওবামেয়াংনা কনফেদরেশন ওফ অফ্রিকান ফুটবোলগী প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা মুন্নরগনি

*দাকার (সেনেগাল), জনুৱারী ০১ঃ*

অফ্রিকাগী ফুটবোল বোদি কনফেদরেশন ওফ অফ্রিকান ফুটবোল (সিএএফ) কী চহী খুদিংগী পীবা সিএএফ প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা অদু ইজিপ্তগী মোহমদ সালাহ, সেনেগালগী সাদিও মানে অমসুং গাবোনিসকী পিয়েরি ইমেরিক ওবামেয়াংনা মুন্নরগনি।

সিএএফকী প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অসি সেনেগালগী সিটি দাকারদা মথং চয়োলদা পাঙথোক্কনি হায়না কনফেদরেসন ওফ অফ্রিকান ফুটবোলগী চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।



*মোহমদ সালাহ* · *পিয়েরি ইমরিক ওবামেয়াং* · *সাদিও মানে*

ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালাহ হৌজিক–হৌজিক চখৎরিবা ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব লিভরপুলদা শান্নরিবা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ষ্ট্রাইকর অমনি। মোহমন সালাহনা সিএএফ প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা কুমজা ২০১৭ দা ফংবা ঙমখি।

সেনেগাল মচা সাদিও মানে ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলদা শান্নরি। কুমজা ২০১৭ গী সিএএফ এৱার্দতা অনীশুবা তাহৌবনি। অমরোমদা গাবোনিসকী শান্নরোই পিয়েরি ইমরিক ওবামেয়াং ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব আর্সনেলদা য়াম্না চাওনা থৌদাং লৌরিবা শান্নরোইনি।

গাবোনিস মচা পিয়েরি ইমরিক ওবামেয়াং কুমজা ২০১৫ দা সিএএফ প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী এৱাদ ফংখ্রবা শান্নরোইনি। মতম অসিদা মহাক্কী জর্মনিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বোরুশিয়া দোর্টমুন্দদা শান্নরম্বদগী ইংলেন্দগী ফুটবোল আর্সনেলদা শরুক য়ারকখিবনি।

## ষ্টেটকী জম্প রোপ টিম মহারাষ্ট্রগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারী ০১ঃ*

জম্প রোপ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী ৮ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী নাশিকতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫শুবা সব–জুনিয়র নেসনেল জম্প রোপ চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা স্পোন্টেনিয়স এসোসিয়েসন ওফ জম্প রোপ মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

১৫শুবা সব–জুনিয়র নেসনেল জম্প রোপ চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম অসিদা ওফিসিয়েল ২গা লোয়নননা শান্নরোই ৫ না শরুক য়ারি।

শান্নরোইশিং অদুদি নুপীমচাগী চহী ১২মখাগী অজিমা রহেমন, নুপীমচাগী চহী ১৪ মখাগী রুহানা, মকাকময়ুম রুকৈয়ানি। নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগীদা মুহমদ য়াহিয়া খান অমসুং মোহমদ ৱাহিদুর রহমননি।

টিম অসিগী কোচনা মোহমদ সাকর অহমদ অমসুং টিম মেনেজরনা মোহদম ৱাহিদুর রহমননি।



## মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারী ০১ঃ*

থা অসিগী ২ দগী ১০ ফাওবা তামিল নাদুগী চেন্নাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৭শুবা সেনিয়র নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর মেন এন্দ ৱুমেনদা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোইশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নুপাগী টিমদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি আইজিওগী কে ভেদা সিংহ, এন ধনবির সিংহ, এসদিসিদগী ৱাই বুধচন্দ্র সিংহ, ৱাই নন্দকেশ্বর সিংহ, এল আই দল্লিয়ু এদগী এ সিতলজিৎ সিংহ, এসদিসিদগী এল হেরোজিৎ সিংহ, ৱাইএমদিওদগী ৱাই কর্নজিৎ সিংহ, ৱাইপিএদগী ৱাই সান্তি সিংহ, এসদিসিদগী কেঐচ বুধচন্দ্র সিংহ, এসদল্লিয়ুৱাইসিদগী এল অথোইবা অমদি ৱাইএমদিওদগী আই জেমসন সিংহনি।

নুপীগী টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিং অদুদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবতগী ঙাক্তনি। মখোয়শিং অদুদি সেলতুন এঞ্জেলা অনাল, বি এস রিথা অনাল, বি এস ফটিমা অনাল, এল ঐচ বাইনেলচোং, হোইখোচিন, চিংলাল জোন, হাটনৈলম কিপগেন, কুমারী এসপি সাংনি, এ বিদ্যরানি দেবী, সিঐচ রোনিকা চনু আৱুংসি ঙমরৈফাই অমদি কেঐচ প্রিয়ানি।

টিম অসিগী ওফিসিলেয় ওইনা নুপীগী কোচতা এল তিকেন সিংহ, নুপাগী কোচতা এন জিতেন সিংহ অমদি টিম মেনেজরদরা এস মনিথোই মৈতৈনি।

## ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ইরাননা কাটারবু ২–১ দা থোইখ্রে

*দোহা, জনুৱারী ০১ঃ*

থা অসিগী ৫ দগী যুএইনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নবা হৌগদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী শেম শাবা ওইনা ঙসি শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ইরাননা কাটারবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে।

ইরান অমসুং কাটারনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা এসিয়াগী মকোক থোংবা টিম ওইরিবা ইরানগী শান্নরোইশিংনা চখৎরকখিবা এটেক অমদা মেহদি টারেমীনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা কাটারনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা হাসন অল হাইদোসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৬শুবা মিনটতা ইরানগী শান্নরোইশিংনা চখৎরকখিবা এটেক অমদা সরদার অজমোননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অনী মায় পাক্লখিদবদগী ঙসি শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদু ইরাননা কাটারবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।


## হোপমেন কপ্তা স্বিটজরলেন্দনা য়ুএসএবু ২–১ দা থোইখ্রে

*পর্থ, জনুৱারী ০১ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি পর্থতা শান্নরিবা হোপমেন কপ টেন্নিসকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বি গী টাই অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন স্বিটজরলেন্দনা য়ুএসএবু ২–১ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দনা গ্রেট বৃটেনবু য়াম্না লায়না মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা টাই অসিগী অহানবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা য়ুএসএগী শান্নরোই ফ্রান্সেস টিয়াফোবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরমখি।



মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা শান্নরোই অনীমক হৌরকপদা লম্বা মান্নরম্লবসু লোইশিল্লকপদা ফেররনা ফজবা হেনখিবদগী টিয়াফোগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা য়ুএসএগী টিয়াফোবু য়াম্না লায়না সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬–১ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবদগী মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইদুনা ১–১ দা মান্নখি।

অহুমশুবা মেটচ মিক্স দবলসতা স্বিটজরলেন্দগী পেয়র ফেদরর অমসুং বেন্সিকনা য়ুএসকী পেয়র সেরেনা অমসুং টিয়াফোবু ৪–২, ৪–৩(৫–৩) দা থোইদুনা টাই অদু ২–১ দা মায় পাকখি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা লৈকেষ্টর সিটিনা এভরটনবু থোইখ্রে

*লন্দন, জনুৱারী ০১ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ২১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা লৈকেষ্টর সিটিনা এভরটনবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী ৭শুবা মফমদা হাইগৎখি।

লৈকেষ্টর সিটি অমসুং এভরটননা শান্নখিবা ২১শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু হৌবদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা অদুগী অয়াম্বা মতমদা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখি। অমরোমদা এভরটনগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৮শুবা মিনটতা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চখৎরকখিবা এটেক অমদা জেমী ভর্দিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

এভরটনগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্কবা লৈকেষ্টরগী মায়কৈদা বোল তোয়না পুশিন্দুনা এটেক কয়া চখৎরকখিবশিং অদু লৈকেষ্টরগী দিফেন্দরশিংনা ফজনা মায়োক্লখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী লৈকেষ্টর সিটিনা এভরটনবু ১–০ দা থোইরমখি।

| ক্রোসৱার্দ ৩০ গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | A | P | S | | L | O | F | T | S | | T | A | R | P |
| A | B | E | T | | A | L | L | O | T | | O | R | E | O |
| N | O | R | A | | N | E | A | T | O | | P | E | E | L |
| I | V | O | R | Y | T | O | W | E | R | | F | A | K | E |
| S | E | T | T | E | E | | | M | E | W | L | | | |
| | | | | A | R | M | S | | S | H | I | R | T | |
| A | V | O | W | | N | I | L | E | | A | G | A | I | N |
| R | E | S | O | D | | C | A | R | | T | H | R | E | E |
| T | A | H | O | E | | E | P | I | C | | T | E | S | T |
| | L | A | D | L | E | | S | E | A | M | | | | |
| | | | P | L | A | N | | | R | E | A | D | U | P |
| S | E | A | L | | G | O | L | D | E | N | G | A | T | E |
| A | U | R | A | | L | O | U | I | E | | R | I | T | A |
| I | R | A | N | | E | N | T | E | R | | E | L | E | C |
| L | O | B | E | | S | E | E | D | S | | E | Y | R | E |


**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICK SAMPLE

(From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)

Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

SL/1198/Alt.50 days